**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-09-2025)**

**গভনর (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা কৌদুনা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

অকাশবানি ইম্ফাল পাউমীনা হায়-প্রধান মন্ত্রিনা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অমদি প্রোজেক্ট খরা শঙ্গারমগদৌরিবা অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা মখোয়না কুপা খন্নখি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি অশোয় অঙাম য়াওহন্দনবা অমদি মায় পাকপা অমা ওইহন্নবগী ৱাফমশিংসু রাজ্যপালনা এম.এল.এশিংদা ফোংদোকখি।

মীফম অদুদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-অধিকারিময়ুম সরদা দেবী, মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ য়াওনা অতৈ এম.এল.এ. কয়ানা শরুক য়াখি।

মরক অসিদা, প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎকী য়েংলগা রাজ্য অসিগী মফম কয়া নীংথিনা লৈতেংবা হৌরে।

**ডে (এল)ঃ** তরুকশুবা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ক্লিন ইয়ার ফোর ব্লু স্কাইজগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা ষ্টেট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ট্রেন্নিং সেন্টরগী আর.দি. ৱিং কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

‘রেসিং ফোর ইয়ার’ হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তাকুমার সিংহনা হায়-মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদনা চংবা পোৎশক অমা ওইরিবা নুংশিৎ অসি মোৎশিলহন্দনা লু-নান্না থম্বা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

অমোৎপা নুংশিৎ নুংশা শ্বর হোনজিনবনা মীওইবা ঐখোয়দা তোঙান তোঙানবা মখলগী লায়না কয়া পোল্লকই। লাইবক থিবনা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা থিংনবগী মতাংদা মীয়ামনা খন্ন-নৈনবগী চাং অসি য়ামমক নেল্লি হায়রদুনা শ্রী হেমন্তকুমারনা নুংশিৎপু মোৎশিলহন্দনবা মীপুম খুদিংমকা থৌদাং লৌমীন্নবা মতম ওইরে হায়খি।

থৌরমদুদা হেলথ সার্ভির্সেসকী দাইরেক্তর-চমবো গোনমৈ, এদিসনেল দাইরেক্তরনচিংবসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা উ চারাশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা অয়ুক্কী মতমদা আর.দি.ৱিং কমপ্লেক্সতা লম-তু শেংদোকখি।

**নাগা (এল)ঃ** নাগালেন্দগী জর্নেলিষ্ট অমবু সেনাপতি জিলাগী মফম অমদা মীওই অমনা ইয়ার গননা কাপখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা শেমখিবা নাগা জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন-মনিপুরগী ফেক ফাইন্দিং টিমনা মখোয়গী রিপোর্ট পুথোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুদা হায়-থৌদোক অদু মীওই অদুনা অতমনা তৌখিবা নত্তে। নোং চুবা অমদি লৈচিল কুংনা থাবদগী নিংথিনা উবা ঙমদবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মফম অদুগী মীয়ামনা জর্নেলিষ্ট অদু শোক্লে হায়বদুসু লাই প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা ফার্ষ্ট এদ পীনবগীদমক পুখৎলকপদা খঙখিবনি।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুনা শোক্লবা জর্নেলিষ্ট অদুবু লায়কন্নরিবা হেলথ সেন্টর অদুদা চৎতুনা ভিলেজ ওথোরিতি কাউন্সিলগী মেম্বরশিং অমদি ভিলেজ হেদমেনগী মমাংদা শোক্লিবা জর্নেলিষ্ট মশামক্তা লাল্লে হায়নসু হায়জবা লৈখ্রে। জর্নেলিষ্ট অদুনা লায়েংবদা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়নসু ফোংদোকখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা তুংজোই পুলিস ষ্টেসননসু মমাং থাগী ৩১ দা এফ.আই.আর. অমা রেজিস্তার তৌখ্রে হায়রি।

ফেক ফাইন্দিং কাংবু অদুনা থৌদোক অদুদা চেন্নবদগী পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা মীওই অমদি হৌজিক গুৱাহাতিদা লায়েংদুনা লৈরিবা শোক্লবা জর্নেলিষ্ট

অদুগসু পাউ ফাওনখ্রে হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী থবক্তা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়নসু ফেক ফাইন্দিং টিম অদুনা হায়রি।

**লম্বী (এল)ঃ** অনৌবা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা ইম্ফাল সহরগী মরুওইবা লম্বীশিং শেম্বগী থবক হৌরে।

মনিপুর অবার্ন রোড দ্রেনেস এন্দ এসেট মেনেজমেন্ট ইমপ্রুবমেন্ট প্রোজেক্ট (রিজিট পেভমেন্ট) কী মখাদা গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা লৈরিবা লৈরক খুল্লক য়াওনা লৈরিবা লম্বীশিং চহি অহুমগী মনুংদা দ্রেনস য়াওনা কংক্রিত রোড শেম্বগী থবক পায়খৎপা হৌরে।

প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা শেমগদৌরিবা অপুনবা লম্বীগী অশাংবা অসি কিলোমিটর ৫৪৭ মিটর ২৮১ নি। মসিদা কংক্রিত নৎত্রগা ৱাইট তোপ্পিং তৌগদবা লম্বীগী অশাংবনা কিলোমিটর ৪৮৩ মিটর ৩৮৮ নি। অদুগা তুরেল মপালগী লম্বীশিংগী ওইনা কিলোমিটর ৬৩ মিটর ৮৯৩ অসিনা শুপতগী কোইলা খক্তমক থাগনি। প্রোজেক্ট অসিদা লুপা কোতি ৩,৬৪৭ লাখ ২৩ লোম চংগনি হায়না পান্নরি। মসিদা রাজ্যনা পুথোক্কদবা শেনফমনা লুপা কোতি ৭৫১ লাখ ২১ নি। রাজ্য মন্ত্রি-মন্দলনা চহি অসিগী জানুৱারী ২২ দা প্রোজেক্ট অসি অয়াবা পীখিবনি।

প্রোজেক্ট অসিগী মনুং চন্না ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দগী কোনুং মমাংগী লম্বী সোর্ট পেনেল কংক্রিত থাবা হৌরে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা পেকেজ নম্বর টুগী কিলোমিটর ১৪১ থাগদবা অসিগী মনুং চন্না লম্বী অসি গ্রেট এম-ফোরতিগী মিক্স দিজাইন্দদা পায়খৎপনি। এদভান্স টেকোলোজি শিজিন্নদুনা ইম্ফাল সহরগী লম্বী শেমগৎপা অসি মসিনা ইহান হানবনি। মসিগী মতাংদা রাজ্যগী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়ার-চোংথাম বিসোচন্দ্রনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা হায়-

**মীতৈ(এল) ঃ** মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ননা শিনদুনা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ অৱাং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

যুনিয়ন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-২০২৬ তগী মনিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা চত্থগদৌরিবা মীকোক থিবগী মাংওইননা রাজ্য অসিদা আইনগী ৱাংমদা চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং খন্দোক্তুনা মশাগী মরমদা হলহনখিনবা অমদি মীশিং য়ামজদবা মীতৈশিংবু মশাগী হক কঞ্জনবগীদমক সংবিধানগী ঙাক্লৌ পীবীনবগী মতাংদা মীয়ামগী মীফম অসিদা খন্ন-নৈনখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা নেসনেল ন্যূত্রিসন ৱিক পালন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা চান্দেল জিলাগী চাংকোন ভিলেজতা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। অঙাংশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং মশা-মউ ফনা থমবা অমদি মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজনবগী পান্দমদা য়ুম্ফম ওইদুনা কেম্প অদু পাঙথোকপনি।

মদুদা, মেদিকেল টিম অমনা হেলথ চেকঅপসু চত্থখি। মশা-মউ ফনা থম বগীদমক মচি ওইবা চিঞ্জাকশিং তঙাইফদবগী মতাংদা ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**মনা (এল) ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুল ৮ না পুনশিনদুনা শেম্বা ইন্টর ভিলেজ দিবলপমেন্ট কমিতি-বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা ঙসি তোঙান তোঙানবা বোর্ড অমদি কাউন্সিলগী পরিক্ষাশিংদা মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোই ৫২ দা মখোয়বু পুকিং থৌগৎপা ওইনা সাইকল অমমম পীখ্রে। ওজা ৯৬ তসু খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**ডে (এল) ঃ** পলেম পন্থৌ কলচরেল ত্রষ্ট লিংখৎখিবগী ৯ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিসলেন্দদা লৈবা মনিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পার্ফোমিং আর্ট থাং-তাদা ২০২২-২৩ গী সঙ্গিত নাটক একাডমীনা মনা পীরকখ্রবা রঞ্জিৎ চিংথাম অমদি মাইম ঠিয়েটরদা মনা পীরকখ্রবা কংলৈ মাইন ঠিয়েটর রিপরটোরিগী ফাউন্দর-ডা: ৱাই. সদানন্দবু ইকায় খুমবা উৎখি।

**থোং (এল) ঃ** ককচিং ৱাইরি অমদি চুমনাংগা ফাওনরিবা সেংমাই তুরেলগী মথক্তা শারিবা ভেল্লি ব্রিজ অসি হৌজিক মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ য়ুথ প্রোগ্রেসিপ ওর্জনাইজেসন-ককচিংগী সেক্রেটরিনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না থোং অসি শেম শাবা অয়াম্বা শরুক লোয়শিল্লক্তুনা মী চৎনবদি হৌরে অদুবু মপুং ফানা শেমজিল্লমদবগী মমি তারি। থোং অসি অথুবা মতমদা মপুং ফানা শেমজিনবীনবা মরি লৈনবা ওথোরিতিনা য়েংশিনবীনবা পুকিং চিংশিল্লি।

**চন্দ্রগ্রহন(এল) ঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি ব্লড মুন হায়নসু খঙনবা মপুং ফাবা চন্দ্রগ্রহন ঙসি নুমিদাং উবা ফংগনি। চন্দ্রগ্রহন অসি দিল্লি, মুম্বাই, বেঙ্গলুরু, হায়দ্রবাদ অমসুং চেন্নাই য়াওনা মরুওইবা সহরশিংদগী ডবা ফংগনি।

চন্দ্রগ্রহন অসি হৌজিক নুমিদাং পুং ৮ মিনিট ৫৮ দগী হৌগনি। অদুগা নুমিদাং পুং ১১ মিনিট ৪১ দা মপুং ফাবা চন্দ্রগ্রহন ওইবগা লোয়ননা নোংঙাল্লমদাই ফাওবা চথগনি।

**জিএসটিঃ** সরকারনা হায়রি-গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) গী চাং হন্থহনবগী থৌওং অসিনা কোওপরেটিব সেক্তরশিংনা হেন্না ফবা মখলগী

পোৎথোকশিং পুথোকপা ঙমহনবগা লোয়ননা মীয়ামনা মখোয়গী পোৎথোকশিং অদু পামবগী চাংসু হেনগৎহল্লগনি। মসিনা কোওপরেটিবশিংগী শেন্থোকসু হেনগৎহল্লগনি।

চেরোল অমদা-কোওপরেসন মন্ত্রালয়না হায়-নৌনা জি.এস.টিগী চাং শেমদোকখিবা অসিনা খুঙ্গংগী ইন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ হেন্না পুকিং থৌগৎলগনি। মসিনা চিঞ্জাক শেম শাবগী লমদসু চাউনা কান্নবা পীবগা লোয়ননা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং মীয়ামদা অহোংবা মমলদসু ফংহনবা ঙম্লগনি।

মন্ত্রালয়না হায়-পোৎলম খরদা জি.এস.টিগী চাং হন্থহনবা অসিনা কোওপরেটিবশিং, লৌমীশিং, খুঙ্গংগী ইন্টরপ্রাইজশিং অমসুং শঙ্গোম পুথোকপা মীওই কোতি ১০ হেনবদা কান্নবা ফংহল্লগনি।

**সন্ধেঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মনভিয়ানা হায়রি-নোংমাইজিং নুমিৎশিংদা সাইকল থৌবগী থৌওং অসি লৈবাক অসিগী ওইনা ইহৌ অমা ওইরক্লি।

মহাকা হায়-হকচাং ফনা থমবা অমসুং লৈবাক অসিদা শাজবা পোৎলমশিং হেন্না শিজিন্ননবগী পাউজেল এম.পি. ৫০ হেনবনা লৈবাক্কী মীয়ামদা হৌদোকখি। ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ফিট ইন্দিয়া সন্দেজ ওন সাইকলদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম লিশিং ৮ হেনবদা থৌরম অসি শিল্লি। সাইকল থৌবা হায়বসি মশা-মউ ফবা ভারত অমা ওইহন্নবগী পাউজেলনি অমসুং মসি খ্বাইদগী ফরবা হকচাং শাজেল অমসুনি। মসিনা নুংশিৎ শেংহনদবগী কোকহনবসু ঙমগনি।

জি.এস.টি. রিফোর্মকী মতাংদা মন্ত্রিনা হায়-সাইকল লৌবা জি.এস.টিগী চাং হান্না চাদা ১৮ ওইরম্বা অদু হৌজিক চাদা ৫ দা হন্থরগনি।

**বিহারঃ** বিহারদা নুপীশিংবু থবক ফংহন্নবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি মহিলা রোজগার য়োজনা কৌবা অনৌবা স্কিম অমা হৌদোকখ্রে।

য়োজনা অসিগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক পল্লিসিতি চৎকদবা ভেনশিং লমথাবগা লোয়ননা স্কিম অসিগী পোরটেলসু হৌদোকখ্রে।

স্কিম অসিগী মখাদা রাজ্য অদুদা লৈরিবা ইমুং খুদিংমক্কী নপী অমমমদা মহাকা পামজবা করবার চঞ্ছনবগীদমক শেলগী মতেং পীগনি। স্কিম অসিগী অহানবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা খনগৎলবা নুপী অমমমদা দি.বি.টিগী খুত্থাংদা লুপা লিশিং তরা-তরা পীগনি। রাজ্য অদুগী রুরেল দিবলপমেন্ট বিভাগনা স্কিম অসিগী নোদেল এজেন্সি ওইগনি। অদুগা বিহার রুরেল লাইফলিহুদ প্রমোসন সোসাইতি, জিবিকানা থবক অসি পায়খৎকনি।

নুপীশিং অদুদা থবক পীরবা থা তরুক্কী মতুংদা মথংগী তাঙ্কক ওইনা দরকার লৈবশিংদা অহেনবা তেংবাং ওইনা লুপা লাখ অনি অনি পীগনি। স্কিম অসিগী শরুক অমা ওইনা মফম কয়াদা কৈথেলশিং নৎত্রগা হাথ বজারশিং শেমগৎকনি। মদুদা নুপীশিংনা শাবা পোৎলমশিং য়োনগনি।

**দিআরদিওঃ** দি.আর.দি.ওগী দিফেন্স টেকোলোজি অমসুং টেষ্ট সেন্টর-লক্ষনৌনা শিনদুনা ঙরাং অমৌশি কেম্পসতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

উত্তর প্রদেস দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদোরবু হেন্না চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা এম.এস.এম.ইশিং অমসুং স্তার্টঅপশিংগা খুৎশমদুনা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা এম.এস.এম.ই, স্তার্টঅপ অমসুং লাঘু উদ্যোগ ভারত্তিশিংগী মীওই ১০০ হেনবনা স্কিল দিবলপমেন্ট, রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্টকী লমদা শেল থাদবা, টেকিকেলগী লমদা তাথোক তাশিন তৌনবা অমসুং দি.আর.দি.ওনা টেকোলোজি পীবগী মতাংদা খন্নখি।

**তেংবাংঃ** পঞ্জাব, জম্মু কাশ্মির অমসুং হিমাচল প্রদেসতা ঈচাওগী ফিভম খরা

ফগৎলক্লবসু তেংবাং পীবগী থবক্তি মখা তানা চথুরি। ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সনা মীওই ৫৪১ কনখ্রে। অদুগা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম মেত্রিক টোন তরা হেন্না নোংথক্তগী থাদখ্রে।

ইয়ার ফোর্সনা জম্মু কাশ্মির অমসুং হিমাচল প্রদেসকী লৈবাক নিংখায়বদগী অৱাবা নংলবশিংদা চাউনা তেংবাং পীবগী থবক চথুরি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ৱেষ্টর্ন ইয়ার কম্মান্দনা হায়-ইয়ার ফোর্সকী হেলিকোপ্তরশিংনা পঞ্জাব, হিমাচল প্রদেস অমসুং জম্মু কাশ্মিরদা তেংবাংগী থবক চথুরি অমসুং বরমোস-চম্বা সেক্তরগী মীওই ৫৪১ অশোয় অঙাম থোক্লোইদবা মফমশিংদা পুথোরকখ্রে। কুলু অমসুং কিসৱার সেক্তরদা তঙাইফদবা তেংবাংগী পোৎলম কিলোগ্রাম লিশিং ১০ গী মথক্তা নোংথক্তগী থাদখ্রে। হেলিকোপ্তর মরি অমসুং ক্রু ৩৫ না অহিং-নুংথিল নাইদনা থবক অসি চথুরি।

**থাইলেন্দঃ** অনুতিন চার্নভিরাকুলনা থাইলেন্দগী অনৌবা প্রধান মন্ত্রি ওইরে। মহাকা মমাং চয়োলদা কোর্টকী হুকুম অমদগী ফম তাখ্রবা পাতোংত্রন সিনাৱাত্রাগী মহুৎ শিল্লকপনি।

শ্রী অনুতিন অসি শকাইরবা রাজনিতিৱালা অমসুং করবাররা লুচিংবা অমনি। মহাক হান্না লৈবাক অদুগী উপ প্রধান মন্ত্রি, ইন্টরিয়ার মন্ত্রি অমসুং হকশেল মন্ত্রি ওইনা থবক পুরম্মী। মহাক অসি হৌখিবা চহি অনি অসিগী মনুংদা মথং মথং ওইরকখিবা থাইলেন্দগী অহুমশুবা প্রধান মন্ত্রিনি।

**হোক্কি ঃ** এসিয়া কপ হোক্কি চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেলদা হৌজিক ভারতকা খা কোরিয়াগা শান্নরি।

বিহারগী রাজগীর ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ভারতনা চাইনাবু পাঞ্জল ৭-০ দা মায়থিবা পীখিবনি। অতোপ্পা

সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা খা কোরিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখিবনি।

**এদভেঞ্চরঃ** মনিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এলাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটনা শিনদুনা ঙসি ব্রিগেদিয়ার গ্যান সিংহ নেসনেল এদভেঞ্চর এৱার্ড ২০২৫ ফংলক্লবা ইন্সটিট্যুট অসিগী ইন্সত্রক্তর ওইরিবা ডা: কাঙম্বম রোমিও মীতৈবু তরামা ওকখ্রে।

ডা: রোমিও নেসনেল এদভেঞ্চর ফাউন্দেসন-ন্যু দিল্লিগী প্রসিদেন্ট লেফটনেন্ট জেনরেল-রামন দৱাননা এৱার্ড অসিবু পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখিবনি। মহাক হৌজিক নেসনেল এদভেঞ্চর ফাউন্দেসন মনিপুর চেপ্তরগী দাইরেক্তর ওইবতা নত্তনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদুকেসনগী ফেক্লতি মেম্বর অমদি নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতিগী ভিজিটিং ফেক্লতি ওইনা ফম পুরি। মহাকপু ওকপগী থৌরমদা ইন্সটিট্যুট অসিগী প্রসিদেন্ট-এল. কুঞ্জকেশ্বর, হান্নগী সেক্রেটরি-টি.ঐচ. তোম্বা, ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. বোবী য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।